# নুংওনবী য়েন্নিংথাগী মপাউদি য়ৌরক্লে

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মীখল অদু অদা খঙদে হায়রিসিনি, নুংশিদ্রনে ফাইরেন থাসে? কুমজা খুদিংগীনি, অশিৎ অৱান্থাসিদা পুদুনা হেক্তমক লাকই য়েন্নিংথাগী মপাউসে! নিংথম কালেন তাইনবী থানি। মকুম মথা য়ৌরকপনরা খঙদে চন্দ্র মৈ থাবগী তাঙ্গোইসু অদুম পাইরকই। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদুদা ফাইরেন থাগী মঙাও থীরবা নুংশিৎনা পুরকপা কোয়রৈ কোয়রৈ লৈদুনা পাইরকপা তাঙ্গোইদু কয়াদা হরাউজখিবা! ***য়াওশঙ য়ৌদৌরে, য়াওশঙ য়ৌদৌরে*** হায়না লাউর লাউরদুনা কোয়তান তান্নবীনি। করি ৱাখলনো খঙদে তাঙ্গোইদো লৈমাইদা তাখিদ্রিঙৈদা ওক্লগা য়াদা হুকচিল্লি। শিনি নানিকা খল্লুবজাৎ নত্তেদা। চিন্থ্রাও মপান্না থৈগোংগী ঈশিংদা (খুল্লক ফাওরগা চেল্লকপা ঈথৈ লৌখোংগী ঈশিং) তাউথরকপদো নীংশিংলুবদা নুংশিবনা। মতমদুদদি নুংশিবা নুংওনবকা হায়বদো জিরোনি। ঐখোয়না খঙখিবা হায়ববু তাউথরক্লিবা চিন্থ্রাউ লৈরাংদু ঈশিংদগী লৌখৎলগা চাবগী ৱাখলদুখক্লি। হাইফেৎ হাইফেৎ থুম্বগী মহাউ য়াওবদুদা য়াম্না হাউখিবোই নীংই। ঙসিদি ঈশিংদা তাউথরক্লবা চিন্থ্রাউদি হায়রুনু, পান্বীদা শাৎপা ফাওবা উবা ফংখিদ্রে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুবু অথাপ্পা খুঙ্গং চীং মান্দা হৌবা থেংনৈ। মদুসু লৈশাৎ তম্বা মতমদা চৎলুদ্রবদি উবা ফংবৈ ৱা লৈতে। য়ূম্ফম ইঙ্খোল মরাং কায়না পাক চাউনা লৈনরম্বনা উপাল ৱাপালশিংনা কয়াগী মতিক মনীং তমজরমখ্রবাঃ হৈরাং লৈরাং মখল কয়ানা মাগী মাগী মকুম মথাবু তাকখিবনি। য়েন্নিংথাগী মপাউ পুরদুনা নোবাব, হৈখা, চুমব্রৈ, মালহৈ, হৈনৌ, চমপ্রা মপাল শারকই। হৈরাং লৈরাংগী লৈনম্না ফাইরেন থাগী নুংওনবা মতৌ হেনগৎহল্লি। পাক্লবা লৌবুক, য়ূমগী পাক চাউরবা ইঙ্খোলনুংদা হঙ্গাম মপান্না পুমঙান ঙাল্লকপদা লৈরাংদা ঙাওজবা খোইমুশিংদি থম্বু থমখো, তাইবঙ পূক্লিং ফাওবা মরাং মরাংহনবনি। মসিদবু ফানয়াই পুন্নয়াই লাইৱা পায়বী য়েন্নিংথা হেক হায়নীংলকই।

অমুক হল্লকখো য়াররোইদবা, মতমগী অওনবনা ফিজং খঞ্জিনবীখ্রবা নীংশিং মমি খক্তমক ঙায়হৌরবা মতম অমগী য়েন্নিংথাদো নুংশিবনিদা! অহল লমনগী ৱাহৈদা ***ফাইরেন হৌবা*** হায়নরিবনি। পোইনু লৌরোক পান্থা লোইখিবা মতুং পংকুইসু কুইদনা লাকপা ফাইরেন থানি। ফৌ চেঙসু মরাং কায়না লৈনবা মতমনি। অঙৈং অশা হায়বসু অদুম য়াই হায়বীদুনি। নুংশিৎ খরা শীৎচরবসু, খোঙ খূৎ ইৱাউ ৱাউজরসু য়াম্না তাঙনা খজিক খজিক লনতক লনতক পারপ পারপ্পা নত্তনা নোংসু হৈথখৈ চুদবা, ৱাকচীংগী ত্রৎ ত্রৎ ঈংবদগী খরা খরা থৈদোরকপা, কালেনগী প্রোক প্রোক চাকপী মৈশাসু য়ৌরক্ত্রিবা মতাংনি। নুংওনবৈজাৎতি হায়রুদুনা কান্নদে। ইঙাও ঙাওবা লৈচিন্দু ফাওবা ইনুংতা নুংশিবা ইফদ ফজবোই নীংবজাৎনি। কমদৌনসু নুংশিরোই, মতম অমগী ফাইরেন থাদো? লুহোং-খোঙদোংবা, নাহুৎ-নারেং তম্বা, য়ূমজঙ কৈজঙবনচিংবা থৌরমশিংনা খুরক হাঙদে হায়বদুমক্লি। মতমদুগী লুহোংবদা গ্রামফোন রেকোর্দতগী মাইক্তা থাদোরকপা নুংশি নুংশিবা, ফজ ফজবা ঈশৈ কয়ানি মঙাও থীরবা নুংশিৎনা পুরকখিবদো। ঐখোয় অহুম মরি হৌনরগা য়ূমগী ইঙ্খোল শম্বলগী উখোঙ ৱাখোঙনচিংবদা চাইদুনা তারিবা উতেক ৱাতেকশিং কোয়থি থিবা চৎলি। শুমাঙ মতোন নৎত্রগা মফম চাবা অমদা লৈবাক তৌখায়রগা শেল্লিবা মৈফমদা মৈ থারগা ঈরুজনবা ঈশিং শাহনবদুসু অদুম নুংঙাইবনি। পুমকা হেক কাথেকখৈ মুশিল্লবা, ঈশিংকোন অদুনা মৈখু মথক্তা তোংবদুদি, মৈ কাম্বমক্তদা পিকাসে ওরো ওরো তাবনি। হৌজিক মতমগী অঙাংশিংদা ওইরদি লাক্তুনা লংখিবদা পুমচাই চাইদৌজাৎনি। তাল্লক্তুদা ফাইরেন থাগী লমথোই লমহেল্লবা নুংশিৎনা লুহোংফমদগী খংহুম খংহুম হুমদুনা পুরকখিবা ***লক্লরুগে ঙসিদি শান্নরুগে কুম্মৈদুম, নুজা কনাগী চেংলৌনো পাইমা পূক্লিং নুংওল্লে, নঙগী মায়থোঙ উরুবদা, শামু মচা অমা লৈনা লৈনা জগোয় শাই, করম্বা য়ুগকী কাউখ্রবা অহিংদা মঙখিবা মঙগী মমিনো, নীংলরোই অমুক শোল্লরোই নুংশি হৈতবা শারগে*** হায়বনচিংবা অমদি হিন্দি ফিল্ম ঈশৈ কয়া অমনা য়েন্নিংথাগী নুংওনবদা মথোই হাপখিবনি। মহৈ তম্ফমশঙশিংদা মহৈগী লাইরেম্বীনি হায়না থাজনরিবা সরশ্বতিবু থৌজাল লনকুবীনবা, ৱাখল লৌশিং চাওখৎনবা ঈরাৎ থৌনিজবগী থৌরম ফাইরেনগী মঙানি পানবদা য়াম্না চাউনা পাঙথোক্লরম্মী। থৌরম নোংমা ৱাৎলিঙৈদগী শীন লাংবগী থৌ পুবা নুপা মহৈরোয়শিংনা স্কুলদা অহিং য়ারেক্লে। অহিং মীকপ থোরকপদা গ্রামফোন রেকোর্দকী ঈশৈ মাইক্তা থারকপদু কয়াদি নুংশিখ্রে। অঙাং মনা হুৎপগীনে, সরশ্বতি ঈরাৎ থৌনিগীনে নুমিৎতুমদি শুমাং লীলানা কৃক কৃক ইন্নবীনি। ফাইরেন হৌবা হায়বদু চপ হেক চায়। ফাইরেন পঞ্চমী থৌরমগা মরী লৈননা নুমিদাংৱাইরমদা চীং কাবসু চৎনরম্মী।

অওনবা মতমগী খোঙলৈবু কনানা তেমশিংনবা ঙম্বগে? মহৌশাগী খোঙচৎফাওবা অসুম অসুম কায়থরক্লিবসিনি। হৈরাং মপান্না লৈশাৎ তম্লকপা, লৈরাংনা লৈকা ফন্না শাৎলকপদা চাইথোরকখিবা নুংশিবা হৈনম লৈনমদু অসুম অসুম মাঙশিল্লকপগুম তৌরে। য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা হৌরম্বা হৈখা, নোবাব, মালহৈনচিংবগী মফম বিল্ডিং মথোল মথোলনা মফম শিনখ্রে। লৈনম্না য়োম্লবা লৈরাং কয়াসু লৈনম চেন্দবী গল্লাগী লৈরাংশিংনা মফম মুনবীখ্রে হায়বা য়াই। অহোংবা অওনবা কয়া অসিনা য়েন্নিংথাগী মপাউ পুদুনা কাইদা কাইদা খোঙদোই হুনজরক্লিবা ফাইরেন থাগী মহী ময়াইসু ইচম চমখ্রবরা হংনীংলক্লে। হৌখিবা চহী অনীদুসু কদোমদগীনো খঙহৌদে, তমথীখ্রবা লায়না লাইচৎ অমনা মীপূম খুদিংমক থকয়ৈনহল্লগা ৱানা ৱানা কিবগুম খংবগুম্না অদুম্মক লেনখ্রে। কুমসি চহীসিনা অমুক্কা হেন্না শাথীখ্রে। তরানিথোইশুবা এসেমব্লি মীখল মরকসিদা কনামত্তা য়েন্নিংথাগী নুংওনবা নীংশিংবীরমগনি থাজদে। হৈপাল লৈপালশিংদি মাগী মাগী মথৌ কায়দনা অদুম্মক পাঙথোকচৈ। তাঙলবসু তাঙনা হৌজরিবা হৈপাল লৈপালশিংদি লৈশাৎ তমদুনা য়েন্নিংথা থুংলরে হায়বদু পাউতাক্লি। মদু ওইদুনসু মাগী নুংওনবা মতৌদুবু থৌশাবীবা অমদি খোইথুম্নবা মহাউদু লৌগে খনবা মীগী মশীং খূৎ থেক্তুনা পাবা ঙম্বসু য়াই। মরম হায়ববু মীখলগী কুম্মৈ লৈরিসিনি। মীরেপ অমদি মাগী খোঙলোয়শিংনা মৈথক্তা ফম্লি। ভোটর পূম্নমকপু হায়জবদি নৎচদে, অয়াম্বদি ককঙাওনরি - চামঙা চৎপী চবুন চবুন ময়ামদগী ইহেন হেন্না লংশিল্লম্বদু করম্বা মীরেপ্পা ওইগদৌরিবনো খনবদা। মাগী মাগী মীরেপ্পু মায় পাক্তবা য়ারোই, মাগীদমক থৱায় থারবসু থাদোক্কে খনবা তুংইনবশিংগী মরক্তা উংখৎনবা, খূৎ থোক্লবসু য়াওনরক্লে। মীশি মীনাসু থোকখ্রে। মরকসিদা হঙ্গাম মপান য়েংনীংদে, হৈখা, মালহৈ, নোবাব মপানগী লৈনমকা নমজনীংদে, মীখলগী ফূন চৈনবা কুম্মৈ য়েংজগে, লেমথক থকপা ফংজবা য়ুগী য়ুনমদা ঙাওজগে হায়বা মীসু কোকথোং অমনি। ফীভমসিদবু মৈশা মরকসিদবু কনাদনো য়েন্নিংথাবু শৈথাদুনা তাহল্লুগদবসে, তানীংবা কনাবু য়াওরমগদৌরিবনো? লময়োন্দবু ওইগেরা, খুঙ্গংদবু ওইগেরা য়েন্নিংথানা নুংওনবা ফাওহনবা ঙমগনি থাজদ্রে। মসিসু পূক্লিং নুংশিবা তাংকক অমনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

## পাৱর পায়বা মীওই অমনা মী অমবু শেমগৎপা অমসুং থুগাইবা ঙম্মী : ঐচ বিক্রমজিৎ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):

পাৱর পায়বা মীওই অমনা মী অমবু শেমগৎপা অমসুং থুগাইবা ঙম্মী হায়না য়াইস্কুল এ সীগী এন পি পিগী মীরেপ হুইদ্রোম বিক্রমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি হুইদ্রোম বিক্রমগী ৱাংখৈ থাংজম লৈকায়দা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকখিবা মহাক্কী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। বিক্রমনা মখা তারদুনা হায়, পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি য়াম্না লুবা খোঙথাংনি। পোলিটিসিয়ন ওইরবদি ৱাখল নীংথিনা খন্থদুনা থবক তৌবা চঙই।



হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তোলোপ ফাওবা নীংথিজনা পীবা ঙমদ্রিঙৈদা স্কিম কয়া হৌদোক্লিবসি মশা মথন্তা মুৎচখ্রগদৌবনি। মসিগী মহুৎতা সেন্টরদগী লোন অমদি স্কিমনচিংবা লৌথদুনা লমদম অসিগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনগদবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পোলিটিক্স য়াওরক্লিবা অসি লমদমসিগী তুংগী লম্বী য়েংলগা য়াওরকপনি। ঐহাক ইশাগী ওইনা য়েংলগদি হেন্না নুংঙাইথোকপা য়ারবনি। য়াইস্কুল এ সীদা নৎতনা মণিপুর মীয়ামগী থৌগল তৌনিংবদগী পোলিটিক্স য়াওদুনা ভোট লেপ্পনি। ঐহাক্না ভোট কাগনি হায়বগী থাজবা লৈজরিবা অসি মীয়াম্না ঐবু নুংশিবিবা অসিননি হায়নসু মখা তাখি।

## ‘থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদা শেন্থোক লম্বী পীগনি’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪ (ঐচ এন এস):

হন্দক্কী মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি লমদমসিগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদা লন্নাই লল্লোন ইতিক তৌদুনা শেন্থোক লম্বী শেমজনবা শেন্থং পীথগনি হায়না উরিপোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা খ্বাইরাকপম রঘুমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি উরিপোক সোর্বোন থিঙেল কাব্রবম লৈকায়দা লৈবা কে ঐচ রঘুমনিগী য়ূমদা পাঙথোকখিবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা মহাক্না মখা তানা হায়, মীয়াম্না বি জে পিবু হেন্না নুংশিবিবা অমসুং বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক লাক্কদৌরিবা অসিদা উরিপোককী বি জে পিগী মীহুৎ অমা য়াওহনবা পাম্বদগী মীয়াম্না মহাকপু শৌগৎপিরকপা অসিনা হন্দক শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈজে। লোয়ননা মায় পাক্লবদি এ সী অসিদা লৈরিবা চহী য়াম্লবা অহলশিং পেন্সন ফংদনা লৈরিবা অসি ফংহন্নবা হোৎনগনি। মপুরোইবা লৈখিদ্রবী অমসুং অহলশিংদা লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী থা খুদিংগী ১২০০গী অহেনবা পেন্সন পীগনি। লমদমসিগী অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা মথৌ তাবা ফন্দিং পীগনি। থবক ফংদ্রিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাশিংদা মশাগী শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা হোৎনগনি। এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফগৎহন্দুনা মতীক চারবা মহৈরোয় কয়া শেমগৎতুনা ওফিসর কয়া পুথোক্লবা হোৎনগনি। লম্বী-থোং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপগা লোয়ননা অমসুং ইমুং খুদিংদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অদুদা উরিপোক এ সীগী মনুংদা লৈবা বি জে পিগী ৱার্করশিং অমদি মহাকপু শৌগৎপা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

ꯃꯉꯒꯜ ꯇ꯭ꯔꯦꯗꯤꯡ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ
2 DAYS WORKSHOP
ONE OF THE BEST STRATEGY
FOR INTRADAY OR DAY TRADING BY APPLYING CPR INDICATOR
DATE:-
25TH AND 26TH FEB. 2022
TIMING:- 7.00 AM TO 9.00 AM
100% MONEY BACK GUARANTEED
ENROLLMENT FEE - RS.1499/-
INTRODUCTORY OFFER RS.499/-
OFFER VALID TILL DATE. 22.2.22
*Online Course in Manipuri Language
Apps:- Zoom HD
• Experience in Trading are only Eligible.
Free Workshop on 20.2.22
Investment Vs Swing Vs Fno/Intraday
ELIGIBILITY: ZERO KNOWLEDGE OF TRADING
DATE:-20.02.22 & TIME:- 7 .00 AM TO 8.30 AM
For Details Contact/Whatsapp
+91-7005851073
MANGAL TRADING ACADEMY
"A Friend You Can Trust"




HL-P/1740/11-20

GOVERNMENT OF MANIPUR

DIRECTORATE OF HEALTH SERVICES

ꯈꯣꯡꯖꯦꯜ / NOTIFICATION

Imphal, the 14th February, 2022

No.104/1/2021-DHS: In continuation of this Directorate Notification of even No. dated 22nd January, 2022, it is hereby informed to all the intending and eligible candidates who have applied for the available seats of MBBS/BDS/BASLP courses 2021 for the Government of Manipur and Shija Academy of Health Sciences (SAHS), Langol that the Round-2 of Open Counselling which was scheduled on 16th & 17th February, 2022 is **hereby rescheduled on 8th & 9th March, 2022.**

Details shall be available at Notice Board, Medical Directorate, Lamphel and official website: **www.manipurhealthdirectorate.in**

**Sd/- Director of Health Services, Manipur**

HL-P/1758/15

**This may be published in Newspaper and TV from the day following the last date for withdrawal of candidate and upto two days before the date of poll.**

**Format C-1**

*(For candidate to publish in Newspaper,TV )*

Declaration about criminal cases

(As per the judgment dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors Vs. Union of India & Anr).

Name and address of candidate : **Shri Achoibam Deben Singh son of A. Rabungo Singh, aged 41 years, resident of Lamlai Mayai Leikai, P.O. Lamlong & P.S. Lamlai, Imphal East District, Manipur, pin-795010.**

Name of Political Party: **Indian National Congress (INC).**

(Independent candidate should writ "independent" here)

*Name of Election: **12th Manipur Legislative Assembly Election-2022.**

I, **Achoibam Deben Singh** (name of candidate), a candidate for the above mentioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedent:

(A) Pending Criminal cases

| Sl.No. | Name of Court | Case No. and dated | Status of Case(s) | Section(s) of Acts concerned and brief description of offences(s) |
|---|---|---|---|---|
| 1. | 1st Class Magistrate, Bokajan Sub-division, Assam | GR-318/2015 dt.11//2015 | Chargesheet Hearing | U/s. 7 E.C. Act. |
| 2. | CJM, Imphal East, Manipur | FIR No.25 (4) 2019, Lamlai PS, dated 18/4/2019 | Under Bail vide its order dated 7/06/2019 in Cril. Misc (AB) Case No.34 of 2019, No Chargesheet. | U/s. 506/511/34 IPC & 25 1-C & 30 Arms Act. |
| 3. | N/A | N/A | N/A | N/A |

(B) details about cases of conviction for criminal offences

| Sl.No. | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed | Maximum Punishment imposed. |
|---|---|---|---|
| 1 | N/A | N/A | N/A |
| 2 | N/A | N/A | N/A |
| 3 | N/A | N/A | N/A |

* In the case of election to Council of States or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.

Sd/- A. DEBEN SINGH
INC Candidate 8-Lamlai A/C
12th Manipur Legislative Assembly Election-2022

HL-P/1761/15